ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯦ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯶꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ২৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৬১শুবা মশীং

## থম্বাল নঙ লুহোংনেসে ইমাদি কয়া থাজদে

মণিপুর মীয়ামগী লৈঙাক্লোন, ৱায়েল থৌদাগী মতাংসিদি হেক হৌরকপদগী কোথোক্লুরবদি ওন্থোক্লা শাংলনি। লাইগা মীগা শম্নরম্বা মতম অমা লৈরম্মী হায়রিবা মতমদুদদি নোংদা লাইরেন পাখঙবনা নিংথৌ ওইরম্মী হায়বগী ৱাফম ফাওবা লৈরিবনি। নিংথৌ মথং-মথং পাল্লকখিবদগীনা বৃটিশ লাকখিবা, মখোয়গী মখূৎতা মায়থীদুনা মণিপুরগী লৈঙাক্লোন মখোয়গী মখূৎতা তাখিবগী থৌদোক লৈখ্রে। মখোয়গী মমাঙদনা অৱাগী মখূৎতা চহী ৭ লৈরুদুনা চহী ৭ খুন্তাকপা হায়দুনা খঙনরিবা তাঙ্কক অমসু লৈখ্রে। অদুগা বৃটিশনা ইন্দিয়া পূম্বা থাদোক্তুনা চৎখিবদা মণিপুরসু থাদোক্লম্বদগী ষ্টেটসিগীসু মণিপুর কন্সটিট্যুএন্সি এক্ট শেমজদুনা মীয়ামগী মীহুৎনা ৱায়েল থৌদা খূৎপায়নবগী থবক ফাওবা ইন্দিয়াদগী মণিপুরনা হান্না হৌদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা য়াওখিবদগীদি ঙসি ফাওবদা লৈবাকসিগী লৈবাক লৈঙাক্লোনগী শরুক থুংদুনা ঙসি ফাওবদা পার্ট সি ষ্টেট, য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ফাওবদা মথং-মথং ওইরক্তুনা ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরক্লিবনি। হৌজিক্তি ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী পাখৎলক্লগদি লৈবাকসিগী লৈঙাক পথাপশিংগী কাঙলোন মখাদা লৈঙাক্লোন চলাইরকপা কুইশিল্লক্লে। পোলিটিকেল পার্টি খেন্নবা, খেন্নদবা, পীকপা-চাওবগী ৱাফম নত্তনা মতম-মতমগী ওইনা দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকী প্রিন্সিপল মখাদা পাঙথোকপা মীখলশিংগী মতুংইন্না পার্টি অমখক্তগী নত্রবসু চুংশিন্নবা লৈঙাকশিং থেঞ্জাং নাইনা লিংদুনা মণিপুরগী ৱায়েল থৌদা খূৎপায়নরকখ্রিবনি। তৌদে হায়বা নত্তে, লৈখিদ্রবা লৈঙাকশিং অদুনা মীয়ামগীদমক চাওখৎ থৌরাংগী অঙম্বা থবকশিং লেপ্তনা পাঙথোক্নরকখিবনি। মদুমক্লা ঙসিগী মণিপুর অদুঙৈগী কংলৈপাককী ফীভমদুদা অদুম্মক ওইদুনা লৈত্রিবনি। চাওখৎ মায়কৈদা অহোংবা, অওনবা কয়া উরক্লিবনি। পূম্নমক অসিগী ক্রেদিটশিং মরোল নাইনা লৈখ্রিবা লৈঙাকশিংদুদা পীবিগদবনি। অদুগা তুংদা লাক্কদবা লৈঙাকশিংদসু মণিপুর মীয়ামগী ওইজ-ওইথক ফংগদবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়বগী থৌজাল পীবিগদবনি। মরমদি মীয়াম্নসু মতেং পাংশিল্লবা মতমদতা লৈঙাক্লা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংসু মায় পাক্কদৌরিবনি।

অদুবু হৌজিক মপূং ফাবা কুমগী নোংজু থা (মুন্সুন) গী নোংমকসু নত্তবা প্রি মুন্সুনগীনি হায়নবা নোং খরা নুমিৎ খরনিদং চুথরকপদা ইম্ফাল, খুঙ্গং, চীং-তম খাক্তনা ঈশিং ঈচাওগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপা, য়ূম-কৈ কয়া য়াওনা লম্বী-থোং কয়াগী ফিভমশিং অসুক য়াম্না থীনা শোকচিল্লক্লিবা অসিবু করিদগীনো? হয়েং মশাগী নোং য়াম্না চুগদবা নোংজুথাগা য়ৌরক্লগদি কমদৌবা তাবগে? মালেমগী ওইনা অঈং-অশাগী খল কায়থরক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা শোকচিল্লকহল্লক্লে হায়ববুদি পূম্নমক্লা খঙনরে। মসিগী মথক্তা মণিপুর শেন্থোক লৈজদবা ষ্টেটনি হায়বসু চুম্মী। ষ্টেটসিগীনি হায়বা করিগুম্বা অমত্তং তৌবদা সেন্টরদগী মতেং-ঙাক্লৌ লৌদ্রবদি মরোমদোম পাঙথোকচবা ঙমদে হায়বসিসু চুম্মী। অদুগা হৌজিক ফাওবদা লৈখ্রিবা ষ্টেট লৈঙাকশিংনা মায়োক্নরিবা ফিভমশিংসি মায়োক্নদনবদি হোৎনরমদে হায়বসিমসু খ্বাইদগী হেন্না অচুম্বা ৱাফম অমা ওইরি। মরমদি মণিপুরগী লৈখ্রিবা লৈঙাক্লোইশিংদুনা মীৎয়েং শান্না য়েংলমদুনা সেন্টরদা তক্নরগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলম্লগদবু হৌজিক খুঙ্গং অমসুং চীংগীদি থম্বু থমখো পুং খরখক নোং চুবদা ইম্ফাল ময়োলদবু ঈশিংনা খ্বাং য়ৌগদ্রা হায়বগী ৱানি। মমাঙ-মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিংনসু মীয়ামদা ৱাশক চরোং-চরোং শকখি। তৌথোরকপনা থুৎ লাওরগা, মখোয়গী মতম লোইরগা হৌখিবা ঙানা চাওই হায়বদৌনা হেক্তা তোকখি। মখোয়গী ৱাশকশিং হিংচাবীগী শরি লোইনা ওনখি। হৌজিক্কী লৈঙাকসিসু অদুমঙাই হান্না লৈখিবশিংদুদগী তোঙান্দ্রি। অনৌবা মায়থোঙ খরা উরিবসিসু ফিদমদগী মীশক্লা লুবা ঙাক্তা ওইনা তৌরি। অদুনা পুং খরখক চুবা নোং ফাওবা শেন্নবা ঙমজদ্রিবা লৈঙাক্লা করি অহেনবা তৌবা ঙমগদগে? মসিদনি 'থম্বাল নঙ লুহোংনেসে ইমাদি কয়া থাজদে' হায়বগী ৱাফম চোঙথোরকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **''রঘুবংশ মহাকাব্য''** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **''সেঙ্গোই সনা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্লা লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **"নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে -/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।''** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অহৈবী অমগী শৈরেংদগীনি। অহৈবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না 'কূ' বু শাও। কোৱৌ নোংলোল্ মাপন্ না 'থক্ খল্' শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি 'থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু' মরি অসিনা ওইও।...''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরী অমা ওইনা ঐখোয়গীসু পামজবশিং লৈ

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুর কৌবা ষ্টেটসিদা পোক্লুবা মণিপুরী অমা ওইনা ঐখোয়গীসু পামজবা খরদি লৈ। কাঙলূপ-ফুরুপসিগী মীওইশিং ঐখোয়সু ইশাগী ইরমদমসিদা অৱাৎপা অমত্তা লৈহঞ্জনীংদে। ঐখোয়গী ষ্টেটসিগীসু পূম্নমক মীগা মীমান্ননা লৈহন্নীংই অমসুং ফংফম থোকপা পূম্নমকসু ফংনীংই। ইম্ফাল সিটিসি কোসমোপোলিটান সিটিমক নত্তনা ষ্টেটসিগী মরু ওইবা লম্বী পূম্নমক শৃত লাওনা নালহন্নীংই। মৈ মতিক চানা মরাং কায়না ফংহন্নীংই। পূম্নমকসিগী মথক্তা ইরমদমসিগী মীওই খুদিংমকসু চাওখৎপা অমসুং ৱাখল লৈবা মীওইশিং ঙাক্তা ওইহন্নীংই। পূম্নমকসি ফংবা ঙম্নবগীদমক ইরমদম মণিপুরসিগী মীয়াম ঐখোয়না পূন্না ৱাকৎমিন্নগদবসি কনাদনো? ৱাকৎফমদু ঐখোয় ময়েক শেংনা খঙদ্রি। ষ্টেট লৈঙাক্তরা, সেন্ট্রেল লৈঙাক্তরা? লৈঙাক্কী ৱাসিদি মহৌশানি, হৌনবী অমা অদুমক লৈরমগনি। অদুম ওইনমক, ঐখোয়সি মণিপুর ষ্টেটকী মী ওইরুরবনিনা মণিপুর লৈঙাক্তা হান্না শোয়দনমক্কী ৱাকৎফম থোক্লমগনি। ইন্দিয়ান সিটিজন ওইজরবসু মণিপুর ষ্টেট ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবনি। খরা ফবা অমসুং ফত্তবা লৈঙাকশিং হায়বদুদি, মতম-মতমগী, মতাং-মতাংগী হায়বদুনি। পূম্নমকসিনা অমা ওইখ্রগা, হায়নীংলিবসিনা - ''অমা খঙদে, অমা খঙদে, ইরৈবাক ইরমদম মণিপুরসি য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা মতৌ করম্না অমুক্তং পীকচরবসু গুজরাটকুম্না খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎ-লম্বীদা চঙশিনবা ঙমগদগে?

পীক্লবা ইম্ফাল সিটিগী মচেৎ অমত্তং লৌখৎতুনা য়েংবদা তঙাইফদনা কয়ামরুম উরকই। উরিপোক কাংচুপ রোদলোমদগী অমদি কংলা পাৎ লম্বীরোমদগী লাকপা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল চঙবগী মথৌ তাদবা য়াম্বা মীয়াম অমা, মথৌ তাদনা নমদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংগী লম্বী ফাওদুনা চৎহল্লম্বদু মরাক ময়ুংদা খরা হস্থজরবসু ওভর-ব্রিদজ মতেক অমা শাখিবসিদগীদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংগী লম্বী মতেক অমা হেঞ্জিন্না চিনহল্লমগদবদু উচিন-নাচিন কনখ্রে। হৌজিক তঙাইফদনা ওভর-ব্রিদজ শাদবা শুকয়া য়াদ্রিবা অতোপ্পা লম্বী মতেকশিং ইম্ফাল সিটি মনুংসিদা ফনা য়াম্না লৈরি। ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস মপাদগী কৈশাম্পাৎ মচিন ফাওবা, কৈশাম্পাৎ মচিন্দগী ৱাহেংবম লৈকায় মচিন অমসুং ৱাহেংবম লৈকায় মচিন্দগী হৌরগা খোয়াথোং ফাওবা হায়রিবা লম্বী মতেকশিংসিদা ওভর ব্রিদজশিং শাবগী তঙাইফদবশিং লৈরি। অসুক্কী মতিক শাবগী মথৌ তাই। হায়রিবা মফমশিংসিদা ওভর-ব্রিদজশিং শারবদি ইম্ফাল সিটিগী হর্ট ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অকোয়বগী লম্বীশিংদা চিনবগী চাং ফনা নিংথিজনা হন্থরক্কনি। হায়রিবা মফমশিংসি হৌজিক-হৌজিকমক লম্বী চৎপদা প্রোব্লেম মায়ওক্নরবা মফমশিং ঙাক্তনি। মসিমক্লা মীরমদমগী চাওখৎলবা সিটিশিংগা চাংদম্নবমক য়ানা শেমদোক্লবা থৌরাং অমনি লৌবদি চুমখিরোই। ওভর-ব্রিদজগী ৱাফম খক্তা নত্তনা, চাওখৎলবা মপান লমগী সিটিশিংগা ইম্ফাল সিটিগা চাংদম্নবদা হীরম খুদিংমক্তা ইরমদমসিগী ইম্ফাল সিটিসিনা মশুং অমগী লম ফাওবা য়ৌশিল্লুবা ঙম্বা পোৎ নৎত্রি। লম্বী-লমজাওশিং শেমজিন-শাজিনবগী মতাংদসু মণিপুর ষ্টেট অপূনবগী ফীভম্মক নৎত্রবসু, শুপ্নগী ইম্ফাল সিটিসি খক্তগী খন্নবদসু ইম্ফাল সিটি অকোয়বগী লম্বীশিং অমত্তসু শৃত নান্না, নিংথিনা কয়লা নম্না অমদি অকুৎ-অতোংশিং নায়দনা শেন্বীরম্বা নৎত্রি। ইম্ফাল সিটি মনুংগী লম্বী কয়ামরুম অমদি মতম শাংনদগী হৌনা নূংচাক-কোংকুৎকী লম্বীরা নৎত্রগা কয়লা থাবা লম্বীরা হায়বসি ফাওবা খন্দোকপা ঙমদনা লৈরক্লবনি। মৈগী ৱাদসু নত্তনা ইনক-নক্লা শুপ্নগী ইম্ফাল সিটিগী জিরো মাইলদগী কিলোমিটর ৪/৫ খক্তমক লাপ্লা লৈবা মফম কয়া ফাওবদা লৈঙাক্লা থক্ল-চানবা ঈশিংগী থৌরাং হায়বদু মশক খঙহন্দনা হিংহল্লি। মৈসু শুপ্নগী চহী ২/৩সি খক্তনি কম্পেনি ওনখিবদগী খরা খরা চাং নাইনা ফংলক্লিবসি। মমাঙদদি মণিপুরদা মণিপুর লৈঙাক্লা মৈ মতিক চানা লৈতে হায়দুনা রোষ্টর সিষ্টমদা, নোংমগী মনুংদা শুপ্নগী পুং ৩/৪ খক্তদগী হেন্না ফংহল্লমদ্রিবনি। হৌজিক্তি কম্পেনিনা পুরকপা মৈ ওইরিদ্রা উচিন নাচিন্না নোংমগী মনুংদা পুং ২০দগী হেন্না মৈ মুত্তনা ফংবা নুমিৎ মশীং থিবা ঙমশিল্লক্ত্রে। মৈগী ৱাবুদি লৈঙাক্লা পীবা ঙম্লমদ্রবসু কম্পেনিনদি খরা মখৈদি শাফহনবীরে। ফীভমশিংসিদা মণিপুরী ঐখোয়না ৱাৎলিবা আইটেমশিংসি কনাদা ৱাকৎলুরগা মপূং ফানা ফংহনবীরক্কনি? মণিপুর লৈঙাকসিসু মতম খরদং প্রাইভেট ওন্থোকপা য়ারবদি কম্পেনি অমদা শীন্নথোকখ্রগা হেন্না ফবা লৈঙাক ওইরক্কদ্রা? অসুম্নসু খল্লকই। মীরম্না চাওখৎপা য়ারগা মণিপুরদনা চাওখৎপা করিগী য়াদ্রিবনো?

লৈবাক অমা চাওখৎপদা, লৈবাক্তগী লৈঙাক্তসু, লৈবাক মীয়ামদুসু থোং মান্নমিন্নবা চঙই। অদুবু মরু ওইনা হেন্না রেস্পোন্স পুফম থোক্লিবদি লৈঙাকনি। মণিপুরদদা নত্তনা ইন্দিয়াদসু ৱর্ল্ডদসু মী অমা ওইবগী হকতি ঐখোয়গীসু চপ চানা লৈ। লৈফমসু থোকই অদুগা চপ মান্ননসু ফংফম থোকই। ঐখোয় ইনাক খুনবা, চাওখৎপা, মীকোক থোংবা ষ্টেট অমগী সিটিজনশিং হায়বদু শুকওইমক ওইবা য়াররোইদৌবা জাৎলা? ঐখোয়গী ইরমদমসি শেল মরাং কায়না পায়বা ইনাক খুনবা মীওইশিংনা লৈবা লমদম অমা হায়বদু ওইবা শুকয়ামক য়াররোইদ্রা? য়ারোইদৌবা অমসুং ঙম্লোইদৌবা ওইরগনা, য়ারোইদবা অমসুং ঙম্লোইদবগী মরমশিংদু ঙল্লিঙৈসিদা নৈনহৌফম থোক্তব্রা? হংবা য়াই, ঐখোয়গী ইরমদমগী লৈঙাকসিনা লৈবাক মীয়াম ওইরিবা ঐখোয়বু করম্না লমজিংবীরিবগে? লৈবাক মীয়ামগীদমক ইরমদমসিগী লৈঙাকশিংনা করি-করি মখৈ, কদায়-কদায় ফাওবা য়ৌনা তৌবিখ্রবগে? শৈথাবদনা অকনবা পোকপীনি, অথৌবা পোকপীনি, লৌশিংগী তুংনফম ওইরিবা ইরমদমনি হায়রগা ইরমদমসিগী মীয়াম্না করিগী ঙসি ফাওবদা অসুক নুংশুক-নুংজাননা হিংলম্লিবনো? ৱাহং কয়ামরুমনি হংবগী লোইবা নাইদবা য়াই। ঐখোয়গীসি কদাইদনো অমদি শোয়দনা অশোয়বদু লাওনা হোদুনা লৈরমগনি। ইপা-ইপু হাক্তক্তগী হৌনা ঐখোয় থৌনা ফরকই, লৌশিং চাওরকই, শাদা-লানদা থৌরকই, হায়নরম্বশিংদু ঙসিদি কদাইদা ঙম্না চৎখ্রে? নোংম-নোংমগী লমদমসিগী মীওই অয়াম্বনা হিংনা-হিংনা তঞ্জায় শিরবশিং ঙাক্তগুম উনরক্লি, সিবু করিনো? ফিভমসিনা করিদগী থোক্লুকপনো অমসুং কনানা ওইহল্লকখিবনো? লুনা চেল্লম্বা তুরেলগী ঈচেলনা খঙহৌদনা শীজিন্নবা য়ারোইদবা অনৈবা ঈশিং ঙাক্তা চেল্লক্লবদি নৈরক্লিবগী মরমদু থিদোকপা মথৌ তাদ্রিবরা? ঐখোয়গী হক কনানা খোঙ্গাওনখ্রিবনো, কনানা লোইনা মৎপীখ্রিবনো? কনাদনো ঐখোয়না ৱাকৎলুদৌরিবসি নৎত্রগা ঐখোয় ফীভমসিগীদমক কনাগী মথক্তা লান হৌবা মথৌ তাবগে? ঐখোয়দি ইচম-চম্বা লৈবাক অমগী মীয়ামনি। হক্তি লৈ ঐখোয়গীসু মপূং ফানা। অদুবু হকশিংদু ঐখোয়না তানফম খঙলিবরা? হৌজিক্তি হকশিংদু তানফম থোকই। ইশাগী হক কনাদা তানগদবনো? ৱাফমসি ঐখোয় খঙদোকফম থোকই।

হায়ন-তানবদা য়াদবা, মীয়ামগী ফিভম শকখঙদবা, তুংগী লম্বী য়েংবা হৈতবা, ভিজন লৈতবা লৈঙাকপশিংনা লমদমসিগী লুচিংবশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন ওইবদগী লমদমসিগী মীয়ামগী ফীভম্না সি য়ৌখ্রিবা নত্তবরা? হৌজিক্তি মীয়ামসু ৱাখল তারে। লুরিবদি লমদমসিগী মীয়াম ঐখোয়না মতম শাংনা-শাংনা লুচিংবা শিন্দোকপা হৈতবা, লাইরুক চাবা লুচিংবশিংনা মিৎত্রং তৌদুনা ঐখোয়বু হঞ্জিন-হঞ্জিন পঙথহনবদা ঐখোয়না পঙথগনবা মীওইশিং হেক্তা ওইগনবসিনি। হিংনি হায়দুনা হিংলবদি ঐখোয় অমুক হন্না পঙথরগুমসি। লৈবাক্কী বাক্সি পায়বা লুচিংবশিংনা অশিবা শেল, অরেম্বা শেল খরা লৌথোক্লগা লৈবাক মীয়াম্বু নুংশিবা শাদুনা মশাগী তুংগী পোরম য়াৎনবা অমদি মশাগী চৌক্রি কন্নবগীদমক তাৎ-পাৎ তৌরকপদা ঐখোয় অমুক হন্না পংথররোইসি। অখঙবা কাওবুশিংনদি ঐখোয়সি য়েংবদা ওন্থোক্লা খোইদৌ থিৎলমখ্রদৌবা পোৎনি। কৈদৌগে ঐখোয় অমুক্তংদি পূন্না মিকপ থোকমিন্নরসি। পেবেট মচা চাওবা ঙাইরিঙৈদা নোংম-নোংমগী য়ূম নোং য়ুশিল্লকপা, চারা হেঞ্জিল্লকপা, পুক পায়দুনা চারা হেনবগী অৱাবশিং খাঙনবদুমকসু ঐখোয় খক তৌরোইসি। চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ভোট পুরগা ভোট শিং, মীয়ামগী হক্লা লৈঙাক্কী চাংয়েংগী অরোইবা পন্থুং শোয়দনা ওইহনসি। লুচিংবশিংসি ঐখোয়না শেম্বনি, ঐখোয়না মখোয়বু লুচিংবা হাপ্পনি। পূম্নমক ঐখোয়গী খূৎতা লৈফম থোক্তব্রো? ঐখোয়গী হকশিংগী মপাননা ইরৈবাক-ইরমদমসিগী লুচিংবশিংনা ঐখোয়বু য়োন্থোক্তুনা চারিবনি অমসুং ঐখোয়গী মমল লেপ্পিবনি। কুইরে লমদমসিগী মীয়ামসিনা ঐখোয়বু অসুম্না লায়র চুদৎননা হিংলক্লিবসি। লমদমসিগী মীচম মীয়াম ঐখোয়গীসু অপূনবগী থৌনা, অপূনবগী লিংজেল অমুক্তং উথোকমিন্নরমসি। কদায়নো ঐখোয়গী অপূনবা মীয়ামগী মীফম, অপূনবা মীয়ামগী ফম্বাক? মাঙজিল থানা মীয়াম্বু লুচিংবীরিবা লমদমসিগী মমল খঙবা ওর্গনাইজরশিংনা কদোমদনো? ঐখোয়বু অমুক্তং পূন্না লমজিংবীবা অমসুং মিৎকপ থোকহনবীবগী মতমদু য়ৌদ্রিবরা? ●

# চেঙ হেন্না পুথোকহন্নবা সিষ্টম : রাইস অফ্রিকাগী ৱারী

**- আনন্দ লাইশ্রম -**

মমাঙগী চয়োলদা ঐখোয়না টোমেটো জোসগী মরমদা খঙমিন্নখ্রে। টোমেটো জোস কৌবা কম্পেনি অসিগী খামেন অশিনবা হেন্না পুথোক্লুবা অমসুং খামেন অশিনবদগী খামেন অশিনবা/টোমেটো পেষ্ট পুথোক্লুবা সিষ্টমগী মরমদা তামিন্নখ্রে। মসিদগী ঐখোয়না লৌশিনগদবা য়াম্না লৈ। লম অমগী পোথোক হেনগৎহনবদা সিষ্টম অমা পুল্লপ চঙই। লৌ উরিবা মীওইশিংদা মরূ, হার নৎত্রগা ত্রেক্টর পীশিনবা খক্তনা য়াদে।




অফ্রিকাদা হৌজিক মালেমগী খ্বাইদগী লাইরিক লাইশু হৈবা মীওই কয়ানা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা ময়াম্বু কোকহন্নবা য়াম্না কন্না থবক পায়খৎলি। Harvard, MIT, Stanford, Oxford দগী লাইরিক তম্লকপা মীওইনা অফ্রিকাদা চৎলগা মখল মখলগী থবক থৌরাংদা য়াওশিল্লি। অফ্রিকা মনুংগী মীওই কয়ানসু অৱাবা কয়াগা থেংননবা অনৌ-অনৌবা লৌশিং, সিষ্টম, আইদিয়া কয়া পুথোকই। কম্পেনি অনৌ-অনৌবা হৌগৎলগা মীয়ামদা কান্নবা কয়া পুরকই।

অসুম্না তৌবা কম্পেনি অমগী মরমদা খঙমিন্নসি। কম্পেনি অসিগী মমিংনাRice Afrika Technologies কৌই। হায়রিবা কম্পেনি অসি নাইজেরিয়াদা কুমজা ২০২০দা হৌদোকখিবনি। অফ্রিকাগী মীয়াম্না চেঙ/রাইস য়াম্না পাম্মৈ। চেঙগী মার্কেট অফ্রিকাদা য়াম্না চাওনা লৈ। লৌ উবা ময়াম্নসু ফৌ থারগা শেল তাল্লি। অদু ওইবা তারবসু অফ্রিকাদা চেঙ য়াম্না ফজনা পুথোকপা ঙমদে।

চপ মান্ননা চাওবা লৌবুক অমদগী পুথোকপা পোথোক চাংদম্নবদা অফ্রিকানা মমৈদা লৈ। চাইনাদা হেক্টর অমদগী চেঙ টন মঙা (5 ton) গী মথক্তা পুথোকপদা অফ্রিকাদা লম অয়াম্বনা হেক্টর অমদগী চেঙ টন অনী (2 ton) ফাওবা পুথোকপা ঙমদে। মসিগী মরম্না অফ্রিকাগী লৌ-উবা ময়াম্না ত্রেক্টর হার্ভেষ্টর অমসুং অতোপ্পা মেছিন শীজিন্নবা য়াম্না হন্থবা অদুনা ওই। ত্রেক্টর হার্ভেষ্টর শীজিন্নবা হৈবা লৌ-উবা মশীংসু য়াম্না নেম্মী।

মসিগী প্রোব্লেম অসিগা থেংননবা Rice Afrika Technologies না সিষ্টম অমা পুথোকই :-

১) মখোয়না লৌ-উবা ময়াম্না শীজিন্ননবা হার্ভেষ্টর ত্রেক্টর অমসুং অতোপ্পা মেছিন ফংহল্লি। লৌ-উবা ময়াম্না কম্পেনিদগী মেছিন ময়ামসি ৱায়রগা শীজিন্নবা য়াই।

হৌজিক ফাওবদা মখোয়না লৌ উবা লিশীং মঙাদা মেছিন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

২) লমদম অদুগী নহারোলশিংদা মেছিন শীজিন্নবা অমসুং য়ারক্তবা মতমদা শেম্নবা ত্রেনিংসু পীবগী থবক পায়খৎলি। মসিনা মীয়ামদা থবক পীবদসু কান্নে।

৩) লৌ-উবা ময়াম্না শেল থাদোক-থাজিন নুংঙাইনবা মোবাইল বেঙ্কিংগী কান্নবসু ফংহল্লি। চেঙ য়োনবদা লায়হন্নবা মোবাইল ফোন এপ অমসু শাখ্রে।

৪) লৌ-উবা ময়াম্না চেঙগী পোথোক হেনগৎহন্নবা মখল মখলগী ত্রেনিংসু পীবগী থবক পায়খৎলি।

৫) লৌ-উবা ময়াম্না মেছিন শীজিন্নবগী শেল পুথোকপা ঙমদবা মতমদা চেঙ ওইনা য়োনবসু য়াহল্লি। কম্পেনিনা চেঙ লৈবা মতমদা লৌ-উবা ময়াম্না প্রোফিট ফংবা মমল অমদা লৈ।

৬) কম্পেনি অসিনা লৌ-উবা ময়ামদগী চেঙ-ফৌ লৈরগা Parboiled rice দা ওন্থোক্লগা য়োল্লি। (Parboiled rice অসি ফৌবু ঈশিংদা ফুৎলগা শেম্মী)। Parboiled rice অসি ফজনা ব্রান্দিং তৌরগা পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লি। মসিনা লৌ-উবা ময়াম্না চেঙ য়োনবদা হেন্না লায়হল্লি।

৭) লৌ-উবা ময়ামগী লূপ অমসুং কো-ওপরেটিভ কয়া অমসু হৌদোকই। মসিগী সিষ্টম অসিনা লৌ-উবা ময়ামদা কান্নবা য়াম্না ফংহনখ্রে। লৌ-উবা ময়াম্না হান্নদগী চেঙ হেন্না পুথোকপসু ঙমহনখ্রে। মসিদা নত্তনা লৌ-উবা ময়ামদগী চেঙ কিলো লাখ ২০ (2000 tons) মুক লৈরগা parboiled rice পুথোকখ্রে। হন্দক চহীগী Rice Afrika Technologies দা ৱর্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমগী প্রাইজ অমসু পীখ্রে।

মসিগী ৱারীসিদগী ঐখোয়না তমজনীংঙাইদি প্রোব্লেম অমা কোকহনবদা ঐখোয়না মায় পাক্লে হায়বা তারবদি সিষ্টম অমা চঙই। সিষ্টম অমা য়াওদ্রদি ঐখোয়না পুরকপা পাম্বা অহোংবদু য়াম্না কুইনা চৎলোই, মীয়ামদসু ফজনা কান্নবা ফংবা ঙম্লোই। ●